ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯳, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯰꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, ফেব্রুৱারী ০৩, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩০৬শুবা মশীং

# লোনা য়াদবা পোৎ ফাবা

## ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং পুকচেল শেংনা থবক তৌরিব্রা

লোগী ৱাংমদা থবক তৌবা, লোনা য়াদবা পোৎলমশিং নারোন্দা পুবশিং ফাদুনা ৱায়েলশঙ য়ৌহন্দুনা লোগী ওইবা থবক লৌখৎপা হায়বসি কনাগুম্বা অকক্লবা কাঙবু খরখক্তদা পাৱর পী। খুদম ওইনা হায়রবদা য়ু ঙাওবা মীওই অমনা ক্রাইম অমা চথরকপদা য়ু ঙাওই হায়দুনা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা মহাক্কী মথক্তা থবক লৌখৎপা চুমদে। মীগী মপোৎ মচৈ হূরানবা মীওই অমা নোংমৈ পায় হায়দুনা লান্মীনা ফারবসু মখোয়না ৱারেলশঙদা পুথোকপা য়াদে। পুলিস, এক্সাইজ, ইনকম টেক্স, ফোরেষ্টনচিংবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী অকক্লবা মথৌশিং লৈজে। পুলিসনা সি আর পি সি, আই পি সিগুম্বগা মরী লৈনবা লমশিংদতা মথৌ তৌগনি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মতাংদা পল্লক্লগনা এক্সাইজ, নার্কোটিক্স এন্দ এফ্যেরস ওফ বোর্দর (এন এ বি) না মপুং ওইনা থবক তৌই। মপাল লমদগী পোৎ-চৈ পুশিল্লকপশিংদগী টেক্স খোম্বগী থবক নৎত্রগা ফাবনচিংবগী থবক টেক্সেশন কাঙবুনা অমসুং তোঙান তোঙানবা শীনফমদা লৈরিবা মীওই অমগী থীফম থোকপা টেক্সশিং থীরক্তবগা মরী লৈননা ফাবা পুনবগী থবক্লা টেক্সেশন দিপার্টমেন্টনা তৌই। হায়রিবা মথৌশিং অসি চপ চানা মখোয় মখোয়না তৌরবা মতমদতা লৈবাক অসি ইং তপ্না পানগদৌরিবনি। মদু নত্তনা কাঙবু অমনা হেক উশিন্নদনা লৈথোকখিবদা সিষ্টেম অমা কায়রবা খুন্নাই ওইগদৌরিবনি। মণিপুরদদি অসিগুম্বা দিপার্টমেন্টশিং অসি পুলিসকী ওইনা অমগীদসু অমগীদসু ইরামদা লামশিন্নবদৌনা তৌই। খুদম ওইনা পনবা তারবদা ট্রাফিক পুলিসতা শীন্নরিবা থৌদাং অসি আইন কায়না গাড়ী থৌবশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎপা অমসুং লম্বী চৎপদা মীয়াম্না খুদোংচাননবা থবক পায়খৎপনি। ট্রাফিক পুলিসনা মখোয়গী মোবাইল য়ুনিটশিং থাদোক্তুনা লম্বী চৎপদা খুদোংচাদ্রিবশিং অসি কোকহন্ননবা থবক লৌখৎপদগী গাড়ী ফাবনা হেন্না থৱাই য়াওশিনবগুম্না তৌরে। লম্বীগী খুদোংথিবা থোক্তনবা থৌরাং লৌখৎপনি হায়বগী মীংদা সহর অসিগী মফম মরি মঙাদা মোবাইল টীম থাদোক্তুনা অচৎ-অওক তৌবশিংগী গাড়ীগী চে-চাং চেক তৌদুনা লৈরে। মখোয়দগী চে-চাং শুদে হায়দুনা টি আর ককই। ককইবা শেনফম অদু সরকারগী একাউন্টতা চঙবা তারবসু তৌগদবা থবক্তি নীংথিনা তৌদে হায়বা য়াই। পাওনা, থঙ্গাল অমসুং সহর মনুংগী লম্বীশিংদা মথোং মরম খঙদনা গাড়ী পংথাদা থাজিন্দুনা লম্বী চৎপদা থোক্লিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহন্ননবা অখন্নবা থবক লৌখৎপা মথৌ তাই। মখোয়বু ফারগা টি আর ককপা য়াই। মখোয়দা অকি অখঙ য়াওদনা থবক তৌবা য়ানবা সরকারনসু খূৎলায় পীবা চুমই। নেসনেল হায়ৱে ৩৯গী লম্বীগী মতাইদা লৈরিবা সিভিল সেক্রেটেরিএট, মিনিষ্ট্রেল ব্লোক, জেনরেল পোষ্ট ওফিস, বি এস এন এলগী ওফিসনচিংবগী মমাঙদা খামজিল্লিবা গাড়ী ময়ামশিং অসি কমদৌনা পরম চুম্না থারিবগে হায়বা ওফিস অৱার মতমদা হঞ্জিন-হঞ্জিননা য়েংফম থোকই। লৈঙাক্লা পীবা পার্কিংদা গাড়ী খাম্বগী মহুৎতা মীয়ামদা অকায়বা পীগদবা মফমদা গাড়ী খাম্বশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎপা য়াই। অসিগুম্বা থবক্তগী হেন্না গাড়ীগী চে-চাং শুদবা মীওই থিবরোমদা থবক তৌরে। শম্না হায়রবদা ওটো রিক্সোগী চে-চাং পাননবা ট্রাফিক পুলিস লৈবদৌনা তৌরিবসি মকোক থোংবা ওফিশলশিংনা শেমদোকহন্নিংই।

চহী খরগী মমাঙদা এক্স এম এল এ অমগী শঙ্গোয়দগী লুপা ক্রোর অহুমরোমগী রেদ সন্দর ৱুদ ফাবগী থৌদোক থোকখ্রে। থাংমৈবন্দদা লৈবা শক্লাইরবা মীওই অমগী য়ূমদগী য়ুঙাঙ কয়ামরুম ফাগৎখিবা য়াওখ্রে। এম এল এশিংগী ক্বাটরদগী আইনগী ৱাংমদা থম্লম্বা নোংমৈ ফাওবা ফাগৎখিবগী ৱাথোক লৈখ্রে। আইননা য়াদবা খূৎলায় পায়বা কাঙবুগা এম এল এগা চৎমিন্নবদা ফাবগী থৌদোক-ৱাথোকশিং থোকখ্রে। অদুবু থৌদোকশিং অসিদা পুলিসনা কয়ামুক য়াম্না পুকচেল শেংনা থবক তৌখিবগে হায়বদি হৌজিকসু মীয়াম্না ৱাহং ওইনা হংনরি। অথিংবা থমখ্রবা উ-ৱা পুথোক পুশিন তৌবা য়াদে হায়বা লৈনা লৈনা লৈবাক অসিগী নেসনেল হায়ৱেশিংদা অসিগুম্বা পোৎলম অসিবু কমদৌনা পুশিল্লক্লিবনো হায়বসিসু অঙকপা ৱাহং অমনি। ষ্টেট অসি ফাওদুনা চৎলিবা নেসনেল হায়ৱেশিংদা লান্মীগী, পুলিসকী, এক্সাইজ অমসুং ফোরেষ্টকী চেক পোষ্টশিং হাংদুনা থল্লি। উ লল্লোনবা কাঙবুনা লোগী ৱাংমদা উজাও কয়া পুথোক পুশিন তৌরি। লোগী ৱাংমদা পুরকপা উজাও কয়া সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফাবগী পাউসু লেপ্তুনা তারি। মরুওইনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা পায়খৎকদবা থবকশিংগী মনুংদা উমংগী পোত্থোক য়োকখৎতুনা থম্বা, লমলক্কী শা উচেক ঙাক শেনবা, য়ানবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখ্রবা উ-ৱা য়ানবা মীওই ফাগৎপা অমসুং চৈরাক পীবা, লম্বীদা আইন কায়না উ-ৱা পুরকপনচিংবগী থবক থৌরমশিং য়াওই। মসিগীদমক ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী তোঙান তোঙানবা ফমশিং হাপ্তুনা থম্মি। ফোরেষ্টকী বিট তোঙানননা শেমগৎলি। অদুবু য়ানবা য়াদে হায়না অথিংবা থমখ্রবা মখল কয়াগী উশিং ফোরেষ্টকী চেক পোষ্টশিং ফাওরগা চৎহল্লি। ফোরেষ্টকী ওফিশলশিং পোষ্ট পীল্লবসু মখোয়গী ইনকমগা মরল-মথুমগা চান্নব্রা হায়বা কনামত্তনা য়েংশিনদে। লৈঙাক্কী থবক খূৎতৌদা য়েংশিনবা ৱাৎপগী মমি তাবনা লৈঙাক্কী ওফিশল কয়াদি ক্রোরপটি ওইদুনা হিংলি। ষ্টেট অসিগী উমং-ৱামং কয়া মাঙশিল্লক্লিবা অসিদা নারোন্দা উ লল্লোনবা খূৎপু অমা শোয়দনা লৈরমগনি। খূৎপু অসিদা অঙম অথৌশিংসু য়াওরল্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লমদম অসিগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা উমংশিং কলহৌদ্রবদি মণিপুর অসি পুমলোই লোইবা হায়বদু ওইরগনি হায়নসু হন্দক্তা ফোঙদোকখ্রে। চীফ মিনিষ্টরনা উমং কনবা পান্নবসু মরী লৈনবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা পুকচেল শেংদ্রবদি উমংশিং কনবা হায়বসি তরাইবা অমদি ওইরোই। মতাং অসিদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং পুকচেল শেংনা থবক তৌরিব্রা হায়বসি পূম্নমক্লা হংনরক্লিবা ৱাহং অমা ওইরে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১

(১) মণিপুরীদা ইহান হানবা মপূঙ ফানা শাংবা দ্রামা শান্নদুনা উৎখিবা অসি করম্বা চহীদনো? দ্রামা অদুগী মমিং করি কৌবগে অমদি কনানা ইবনো?

(২) হৌখিবা চহী ২০২০ গী ওক্তোবর থাদা 'উশিন' হায়বা লাইরিক অসি ফোঙখি। লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

(৩) 'ত্যাগপত্র' হায়বসি কনানা ইবা লাইরিক্লো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

(৪) শক্লাইরবা কলাকার অমনা 'শ্রীশ্রী গৌড় গোবিন্দগী থৌরম পরেং' হায়বসি ইদুনা পুথোকখি। কলাকার অসি কনানো?

(৫) 'শগোল তোংবা কাইরংবা/নঙবু তোংবা য়াঙদেদা/লমগী পানা খোঙশাংবী/নঙবু শায়বা ঙাঙদেদা/ইমিং ইমাঙ হাইরৌনা/খুবাক হাইরৌনা/হংচে কোল্লো।' শৈরেং মতেক অসি অরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপনি। করি শৈরোংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# সিঙ্গল-সেল মেরিন অলজিদগী প্রোটিন 'সুপরফূদ' শুংবা (চকপি তুরেলগী নুংশমদসু চাংয়েং তৌবা য়ারে)

সাইন্সকী খোঙচৎ
কুঞ্জো নাওরেম

অলজি (algae) হায়বসি অচম্বা অমসুং থুমহি চেনবা ঈশিংদা হৌবা, মখল-মখা কয়াগী পাম্বীশিং ওইনা লৌবা য়াই। মণিপুরগী ঈশিংদসু অসিগুম্বা অলজিশিং মরাং কায়না হৌই। থুমহি চেনবা ঈশিংদা ফংবা, চিঞ্জাক ওইনা চানবা 'সীৱীদ' শিংখক্তা নত্তনা, মরু ওইনা মণিপুরগী চকপি তুরেলদা ফংলিবা 'নুংশম' হায়না মহাউ লৈনা চানরিবা অসিসু অমনি। 'মেদিসনেলপ্লান্টস.কো.ইন' দা পনবগী মতুংইন্না নুংশমদা প্রোটিন, লিপিদ অমসুং মিনরেলশিংগী চাং ৱাংনা য়াওই। অলজি হায়রিবা পাম্বী কাঙলূপ অসি ফোটোসিন্থেসিসকী মতেংনা মশানা মশাগী মচিঞ্জাক শুংজবা ঙম্মী। মরম অসিনা চাবা য়াবা নৎত্রগা য়াদবা অলজিশিংবু লৌউ-শিংউগী থবক্তা কান্নবা মওংদা শীজিন্নদুনা অহেনবা পোত্থোকশিং পুথোক্লবগী থৌরাং পায়খৎনরক্লি। (মণিপুরগী নুংশম অসিদসু অসিগুম্বা মীৎয়েং চঙবগী মথৌ তারক্লি।)

হেনগৎলক্লিবা মালেমগী মীশিং অসিগী চানবগীদমক পোত্থোক পুথোক্লবা হোৎনবদা কেমিকেল কয়ামুক শীজিন্নরি। মখোয়না নাকোয়ননা ঐখোয়গী হকশেলদা অকায়বা পীরকই। অদুনা সষ্টেনেবল এগ্রিকলচররোমদা মায় ওনশিন্নরক্লি। অসুম্না ওষ্ট্রেলিয়াগী 'ফ্লিন্দর্স য়ুনিভর্সিটি'স সেন্টর ফোর মেরিন বাইওপ্রদক্টস দিভলপমেন্ট' (সী এম বি দি) গী থিজিন-লূপ অমনা মাইক্রোঅলজিশিংদগী মীওইবগী খ্বাইদগী মরু ওইরবা চিঞ্জাক্কী মচল ওইরিবা, প্রোটিন পুথোকপগী চাংয়েংশিং মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে। 'মেরিন বাইওপ্রদক্টস কোওপরেটিভ রিসর্ছ সেন্টর' (এম বি-সী আর সী) না মমাঙদা, অহানবা জেনরেসন (ঙা য়োকপগা মরী লৈনবা) অমসুং অনীশুবা জেনরেসন (এক্বাকলচরগা মরী লৈনবা) পায়খৎখ্রবা মতুংদা, অহুমশুবা জেনরেসন অসিদদি তোপ-তোপ্পা মওং অমদা, ওষ্ট্রেলিয়াগী লৈজরিবা মেরিন বাইওপ্রদক্টশিংনা মালেমগী ইন্দষ্ট্রিদা মাঙজিল থানা শরুক য়াবা হায়বসিগী পান্দম থল্লি।



প্রোফেসর ৱৈ ঝাংনা বাইওরিএক্তরদগী পুথোরকপা পোত্থোক অমা উৎপা

ফ্লিন্দর্স য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর ৱৈ ঝাংনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মখোয়গী থিজিনবগী থবক অসিনা মাইক্রোঅলজিশিং থাবা অমসুং সরকুলর এদভান্সদ বাইওমেন্যুফেকচরিংদগী হৌরগা মচি ওইবা চিঞ্জাক পুথোক্কনি। মাইক্রোঅলজিগী ন্যুত্রিসনল প্রোফাইলসি মখল য়াম্মী অমসুং ফগৎহল্লবা কল্টিভেসনগী পাম্বৈশিং শীজিন্নরগা প্রোটিন, থাউ অমসুং কারবোহায়দ্রেটনা মপূং ওইবা পোত্থোকশিং পুথোক্কনি। অদুগা মসিদগী অমুক মখা তানা শেমদোক-শাদোক্লগা হকচাংদা কান্নরবা সেল পেট্রিশিং, চিপশিং, পেষ্টশিং,



মাইক্রোঅলজি বাইওরিএক্তর অমগী শক্তম

জামশিং য়াওনা চাবা য়ারবা চিঞ্জাকশিং শুংবা য়াই। গ্রীন পাষ্টা, ড্রিংক্স এন্দ বিভরেজশিংগুম্বা চিঞ্জাকশিং পুথোকপদা শীজিন্নরবা, হৌজিক কৈথেলদা ফংলবা, অচম্বা ঈশিংগী প্রোটিন য়াম্না য়াওবা ক্লোরেলা অমসুং স্পিরুলিনা মখলশিং পুথোকপা হৌরে হায়রি।

**সমুদ্রগী ঈশিংদা হৌরিবা অলজিশিংদগী বাইওরিএক্টরশিং শাদুনা চিঞ্জাক পুথোকপা অসিনা হেন্না খুদোংচারিবদি :** মহৈ-মরোং থানবগী লৌফম অমসুং ঈশিংগী অৱাবদু লৈহন্দ্রে। মখোয়দা য়াওরিবা অশাংবা চেইনগী ওমেগা ফেট্টি এসিদশিংসি অঙাংশিংনা চাওখৎলকপা অমসুং মখোয়গী থোপ শেমগৎলকপা অমসুং থম্মোয়গী হকশেলদা য়াম্না কান্নরিবা মচলশিংনি। অসিগুম্বা বাইওরিএক্টরশিংনা গ্রীনহাওস গ্যাস থাদোরকপবু হন্থহন্দুনা শাবগী চাং হন্থহনবদসু মতেং পাংগনি হায়রি। বাইওরিএক্টর য়ুনিট (ফুট ৩ x ফুট ৩ x ফুট ৭) অমনা, পাম্বীশিংগী চপ মান্নবা ফুটপ্রিন্টতগী কার্বোন দাইওক্সাইদ শরুক ৪০০ হেন্না চুপশিনবা ঙম্মী হায়না থিজিন-লূপ অসিনা ফোঙদোক্লি।

নুমিৎকী মঙাল শীজিন্নরগা, পাম্বীশিংগুম্না, মাইক্রোঅলজি মখল খরনা ওক্সিজেন শুংই অমসুং কার্বোন দাইওক্সাইদপু ওর্গানিক কার্বোন (প্রোটিন, কার্বোহায়দ্রেট, পিগমেন্ট, ফেট অমসুং ফাইবরশিং) দা ওন্থোকই অদুবু মসিগীদমক মমল য়াম্লবা লৌফমগী দরকার ওইদে। মরম অসিনা মখোয়সিবু 'রেইনফোরেষ্টস ওফ দি ওসিন্স' হায়না হেক হেক খঙনৈ হায়না ফ্লিন্দর্স য়ুনিভর্সিটিগী বাইওটেক্নোলোজিগী এসোসিএট প্রোফেসর কিরষ্টন হৈমান্না ফোঙদোক্লি। অসুম্না মাইক্রোঅলজিবু থাদুনা ইকো-ফ্রেন্দলি ওইবা চিঞ্জাকশিং পুথোকপসি মালেমগী কৈথেলদা অচৌবা পোত্থোক অমা ওইরগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক্লি। ●

# গঞ্জাগী কান্নবা অমসুং অমাঙবা

ডো. লৈমপোকপম টিকেন্দ্র

Cannabis sativa, গঞ্জা হায়না খঙনরিবা পাম্বী অসি চহী লিশীং কয়াগী মমাঙদগী হীদাক ওইনা শীজিন্নরকই। অমেরিকান মেদিকেল এসোসিএসন্না কুমজা ১৯৪২গী তরানিথোইশুবা য়ু এস ফার্মাকোপিয়াদগী লৌথোকত্রিঙৈদা চহী চা অমমুক licensed medicine ওইনা অমেরিকাদা শীজিন্নরম্মী। কুমজা ১৯৮৫দা হীদাক-লাংথক শাবা কম্পেনিশিংনা tetrahydroxy cannibol শাবগী অয়াবা ফংবদগী গঞ্জাদগী শুংদোকপা cannabinoid শিং অসি অনা-লায়েংদা অমুক শীজিন্নরকখি। অসুম্না কুমজা ২০১৬ ফাওবদা য়ু এস এগী ষ্টেট কুন্নিপাল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ওফ কলম্বিয়াদা গঞ্জা পাম্বী থাদুনা হীদাক লাংথক্কী শীজিন্নবদা অয়াবা পীখি। জর্ম্মনিদসু কুমজা ২০০৮দা লুপ অহুম্না হায়বদি German Medical Association, National Association of Statutory Health insurance physiciance অমসুং Drug commission of the German Medical Association না Health Committee of the German Federal Parliament কী hearing অমদা synthetic cannabinoid অসি conventional medical treatment না রিলিফ মপূং ফানা ফংদবা অনাবশিংদা শীজিন্নবদা মরম চানা কান্নবা ফংই হায়না ফোঙদোকখি। মতুং তারকপা কুমজা ২০১১দা অহানবা ওইনা জর্মনিদা গঞ্জাদগী শুংদোরকপা হীদাক লাংথকশিং শীজিন্নবদা অয়াবা পীখি। ইন্দিয়া অমসুং মণিপুরদসু গঞ্জা অসি ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়াদা শীজিন্নবগা লোয়ননা অহল-লমনশিংগী হাক্তক্তগী শাগোন্নদুনা লাকখি।

গঞ্জাদগী ফংবা tetrahydro cannabinol অমসুং cannabinoids compound কয়া মৈখু ওইনা চিংশিনবা নৎত্রগা গঞ্জাগী মনাশিং চাবদগী হকচাংদা চঙই। মসিগী ফল অসি শীজিন্নবগী মখা পোন্না মীকুপ নৎত্রগা পুং খরগী মনুংদা ফংই। শায়দুনা য়োৎলগা শীজিন্নবা মতমদা tetrahydro cannibinol অসি ব্লদ সর্কুলেসন্দা য়ৌদ্রিঙৈদা লিভরদা কায়থহনবনা মরম ওইরগা ইফেক্ট অসি পুংখায়দগীনা পুং অনীগী চাংদা থেংথহল্লি অমসুং চাকখাও মরীদগী তপ্না চুপশিনবনা মরম ওইরগা ইফেক্ট অসি মতম শাংথনা লৈহল্লি। মৈখু ওইনা নৎত্রগা শিংলিদগী হকচাংদা চঙহনবা মতমদা মেক্সিমম ব্রেন কন্সেন্ত্রেসন হায়বদি থবক অমদা পূক্লিং চঙদুনা লৈবগী মতম অসি মিনট ১৫গী মনুংদা য়ৌখি। মসিনা মরম ওইরগা psychological অমসুং physiological effect অসি খংৱাং ৱাংখৎলি। Psychological effect অসি তপ্না তপ্না হন্থরকপদা পুং অনীদগী মরি ফাওবা চঙই। চিন্দগী চাকখাওগী লম্বীদা চঙহনবা মতমদদি ইফেক্ট অসি পুং অমগী মতুংগুম্বদা লাকই অমসুং চাকখাও মরীলদগী তপ্না চুপশিনবনা মরম ওইরগা ইফেক্ট অসি মতম শাংনা হায়বদি পুং মঙাদগী তরুক ফাওবা চোন্থনা cannabinoids অসি placenta ফাওজিন্দুনা foetal circulation দা অমদি অঙাংগী মবুক পীথকপদা য়াওখিবা ঙম্মী। Cannabinoids অসি lipids তা তুম্বা ঙম্বা মরম্না fatty tissue শিংদা পৈশিন্দুনা লৈ অমসুং তপ্না তপ্না হকচাংগী ঈগী ঈরমদা থাদোরকই। মসিনা মরম ওইরগা হকচাংদগী মাঙহনবদা মতম চঙই। হঞ্জিন-হঞ্জিন্না cannabinoids অসি পৈশিল্লকপনা মতম খরগী মতুংদা ব্রেন্দা য়ৌই।

Cannabinoids অসি লিভরদা metabolized তৌই অমসুং মসিগী major metabolite অমা ওইরিবা 11-hydroxy- s9 tetrahydro cannibinol অসি s-9 tetrahydro cannabinol দগী হেন্না ময়াক কল্লি অমসুং হায়রিবা 11-hydroxy s-9 tetrahydro cannibinol অসি psychological অমসুং physiological effect লাকহনবগী মরম ওই হায়না থাজনৈ। লিভরদা cannabinoids metabolized তৌবা অসি মী অমগা মী অমগা খেন্নৈ। অহল ওইরবা নৎত্রগা লিভরগী লায়না লৈবা মীওইশিংদদি খরা তপ্পী। অতেনবা মতমগী ইফেক্টতা গঞ্জানা কা হেন্না খোয়রাংবা, নুংঙাইবা, পূক্লিং ৱাখল হোংদোক-হোংজিন তৌবা, অরাম-খৌরাংবা কা হেন্না পোকহল্লি। কা হেন্না লাইচুরবশিংদদি শোর্ট টর্ম মেমোরি ওইবা, পূক্লিং চঙবা ৱাৎপা, হকচাংগী লেংবা-ওৎপগী মথৌ শোন্থহনবা কয়াশিং অসি থেংনৈ। মরক-মরক্তা শীজিন্নবা মীওইশিংদদি পূক্লিং ৱাখল নুংঙাইরম্বদগী খোইরাংলকপা অমদি থক্কৎপা-পাখৎপা ফাওরকপনচিংবশিং অসিনা মরম ওইরগা শীজিন্নবা তোকপগী মরম ওই। Cardio vascular system হায়বদি হার্ট অমসুং শিংলি-নাওরিগা মরী লৈনবদদি থম্মোয়গী মিহুল হুনবগী চাং অসি চাদা ২০দগী ৫০মুক মিনট অমগী মনুংদা হেনগৎহল্লি। Lake অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা উচিদা চাংয়েং তৌবদা লেপ্তুনা লৈবা মতমদা ব্লদ প্রেসর হন্থবা অদুগা ফমদুনা লৈবদা ব্লদ প্রেসর হন্থদবা থেংনখি। মতম শাংনা গঞ্জা শীজিন্নবনা ইম্ম্যুন সিষ্টম শোন্থহন্দুনা ইনফেক্সনশিংদগী লায়না ঙাকথোকপা ঙমহন্দে। গঞ্জাদা য়াওবা cannabinoids নত্তবা অতোপ্পা কেমিকেলশিংনসু থবোন্বীদা ইনফেক্সন্নচিংবা থোকপা মতমদা ঙাকথোকপগী মথৌ তৌরিবা alveolar macrophage শিংবুসু শোন্থহল্লি, অমাঙ-অতা থোকহল্লি।

মতম শাংনা শীজিন্নবনা শ্বর হোন্দোক-হোঞ্জিনগী মথৌ তৌরিবা bronchial tubes শিংবু chronic bronchitis কী লায়ওংশিং হায়বদি লোক খুবা, লোক থোকপা, শ্বর হোনবদা হুইশেল খোংবগুম্না মখোল থোকপা হেনগৎহল্লি। গঞ্জা শীজিন্নবনা নহা ওইরিবশিংদা aerodigestive tract তা কেন্সর নাহল্লি। গঞ্জা শীজিন্নবদগী হকচাংদা tetrahydroxy cannabinol গী চাং ৱাংনা য়াওবনা মরম ওইরগা টেষ্টোষ্টেরোন শুংবগী অমসুং থাদোরকপগী চাং হন্থহল্লি, স্পর্মগী মশীং হন্থহনবতা নত্তনা স্পর্মগী লেংবা-চৎপা অমসুং মপুন্সি হন্থহল্লি। নুপী ওইবীশিংদনা থাগী ওভুলেটরি সর্কলদা অকায়বা পী। মীরোনবী নুপীশিংদা ওইরগনা পোক্লক্লিবা অঙাংগী অরূম্বা ৱাৎহল্লি। গঞ্জা তোয়না শীজিন্নবনা মেমোরিদা শোক্লকপা, থবক থৌরমদা পূক্লিং চঙবা ৱাৎপা, ব্রেন্দা অরুবা ঈ-পাউ (complex information) কয়াগী মরক্তা organise অমদি integrate তৌবা ঙমদে। Tetrahydroxy cannabinol গী চাং ৱাংবনা ভরম চৎপা, মেমোরি লোস ওইবা, ওইদবদা অওইবা মানবা, খোয়রাংবা, ফিংগৎপনচিংবা তৌই।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা health cognitive অমসুং psychosis effect ময়ামশিংসিগী মথক্তা গঞ্জাদগী ফংবা cannabinoids অসি অনা লায়েং কয়াদা শীজিন্নদবা নত্তে। খুদম ওইনা multiple sclerosis, cerebral palsy অমসুং spinal cord তা শোকপা অসিনচিংবশিং অসিদগী ওইহল্লকপা muscle spasticity, ataxia অমসুং মসল শোন্থরকপশিং অসি cannabinoids না লায়েংবা ঙম্মী হায়না রিপোর্ট তৌই।

Cannabinoids অসি কেন্সর লায়েংবগী থাবা হীদাকশিংনা থোকহনবা ওনীংবা ফাওবা অমসুং ওবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। Cannabinoids না চানীং-থক্লীংবা পোকহল্লি অমসুং কানি, এন্টি-ভাইরেল দ্রগশিং, ঐচ আই ভি-এইদসকা মরী লৈনবা অনাবশিং অমসুং টর্মিনেল কেন্সরনা মরম ওইরগা মতম শাংনা চানীং-থক্লিংবা পোক্তবনচিংবশিংদা শীজিন্নবা য়াই, কান্নৈ হায়না Beal অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ১৯৯৫দা রিপোর্ট তৌখি। Merritt অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা ফোঙদোকখি মদুদি গঞ্জা অসি মৈখু ওইনা শীজিন্নবা নৎত্রগা tetrahydroxy cannabinol অসি ঈগী খোংলমদা চঙহনখিবা মতমদা glaucoma নাবা মীওইশিংগী আইবোল মনুংদা য়াওবা মহীশিংনা পীবা pressure (intraocular pressure) বু হন্থহনবা ঙম্মী। অদুবু মসিগা ঈরোয়ননা ব্লদ প্রেসর কা হেন্না নেমথখিবা, হার্ট বিটতা য়াম্না থুবা অমদি চাং নাইদবা অমসুং মেন্টেল প্রোসেসতা শোকহল্লকপসু থেংনখি। Tashkin অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা asthma নাবা volunteer তরামরিদা মখল অহুম থোক্লা চাংয়েং তৌখি। চাংয়েং অদুদা tetrahydroxy cannabinol অসি চাদা অনীগী চাংদা য়াওবা গঞ্জাবু মৈখু ওইনা শীজিন্নহনবা অমা, অমদি tetrahydroxy cannabinol বু মিলিগ্রাম ১৫ চিনবানথোঙদগী পীজবা অমসুং standard bronchodilator হায়বদি 0.5% isoprenaline শীজিন্নদুনা য়েংবদা গঞ্জাবু মৈখু ওইনা শীজিন্নবদা অমসুং tetrahydroxy cannabinol বু চিনবানথোঙদা শীজিন্নবনা য়াম্না মপূং ফানা য়ামদ্রবদা পুং অনী bronchodilation তৌহনবা ঙমখি। অদুবু গঞ্জাদা অতোপ্পা কেমিকেল কয়ামরুম য়াওবনা অনা লায়েংদা হেক্তমক চন্নবা হায়বদুদি ওইদে।

লায়ওং কয়াদা হন্থহনবা, নমথবা অমসুং ফহনবা ঙম্মী হায়রবসু ক্লিনিকেল প্রেক্টিসতা শীজিন্নদ্রিঙৈদা অহেনবা ইনফোর্মেসন কয়া কন্ট্রোল ষ্টদিজ তৌদুনা খঙদোকপা থিদোকপা মথৌ তারি। লায়েং পথাপতা শীজিন্নবগী থিরিবা-ফংলিবা অদুগা লোয়নরক্কদবা নৎত্রগা লোয়নরকপা য়াবা সাইদ ইফেক্টশিং অসিদগী খাইদোক্লহন্নবা থৌওং শেমগৎপনা মতুং তারকপা রিসার্ছশিংদা তৌগদবা অচৌবা মফম অমদি ওইরি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।